মায়খুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): য়ুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সী) খোইরোমগী জিমগী গ্রাউন্দদা ঙসি পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা লময়ানবা ইরাবতকী মায়খুম হাংদোকখ্রে। মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)গী সেক্রেটরি জেনরেল ভুশন লোংজম অমদি ৱাই দি সী খোইরোমগী প্রসিদেন্ট খোইরোম জিতেন মৈতৈ অমদি ক্লবকী মেম্বরশিং পুন্না শরুক য়ামিন্নদুনা মায়খুম হাংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখি হায়রি।

ওইনাম লালহাবদা পি ঐচ দি পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): শিংজমৈ চিংঙামখা লিৱারোদ চনম পুখ্রিমপালগী ওইনাম রেনু অমসুং ওইনাম জুগিন্দ্রোগী মচানুপা ওইনাম লালহাবদ জপানগী য়ুনিভর্সিটি ওফ সুকুবানা হ্যুমেন বাইওলোজিদা দোক্তর ওফ ফিলোসোফি পীখ্রে।

লালহাবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফেকল্টি ওফ মেদিসিনগী প্রোফেসর হিরোমি য়েনাদি সৱাগী মখাদা থবক তৌবনি। হৌজিক হৌজিক লালহাব অলসেবিয়র পব্লিকেসনগী লাইফ সাইন্স জর্নেলগী রিভিয়ুর ওইনা থবক তৌরি।

ইরাবতকী মপোক নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুরনা শীন্দুনা থাবুম অমা চুপ্পা চত্থরকপা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি হৈরোক্না হৈরোক পার্ট ৱানদা লৈবা এম শ্যামকিশোরগী য়ুমদা ওবজার্ভেসন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মহৌশাগুম মার্চ পাষ্ট চাংদম্নবা য়াওদুনা পাঙথোকপদু কুমশি চহী অসিগী ওইনদি থৌরম অসিদা সী পি আই হৈরোক লোকলগী সেক্রেটরি এম শ্যামকিশোর, সিনিয়র লিদর এন লোকেন্দ্রো অমদি কে ঐচ সনায়াইমানচিংবনা লময়ানবা ইরাবতকী মতমদা ৱাফম কয়ামরুম থমখি। জননেতাগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা থৌরম অসি কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকখি হায়রি।

উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): কায়থরক্লিবা মহৌশাগী ঈশিং-নুংশিৎ অমদি অঙৈং-অশাগী খল অসিবু কন্নবা হোৎনবদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়াগা খুৎশম্নদুনা লেপ্তুনা পাঙথোকচরকপা প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ওরিয়েন্টেদ সোসল এসোসিএসন (ও এস এ) হিয়াংলম অৱাং লৈকায়গা খুৎশম্নদুনা য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সীল (য়ু পি এ সী ও) মণিপুরনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবদগী খুল অসিগী লম্বীগী নাক-য়েৎ, মেন রোদকী নাক-য়েৎ, তুরেল মপাল অমদি শান্নবুংগী অকোয়বদা য়োংচাক, পুংদোল, হৈক্রু, থৈবোংনচিংবা উপাল ৩৫০ রোম থাখ্রে।

থৌরম অদু গো গ্রীন মিসন মণিপুরগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইরিবী ভেলেন্টিনা এলাংবমনা হৌদোকখি। পুন্না ভলন্টিয়র ৮০ রোম্না শরুক য়াদুনা থৌরম অসি মায় পাক্না পাঙথোকখি। থারিবা উপালশিংগী চারাশিং অদুবু ফংহনবীরিবা দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর থৌবাল ওইরিবী দেবলাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

GAS NEWS

PATSOI INDANE
BOOKING UPTO : 15/07/2020
VALID FROM : 03/07/2020
STOCK : 306 (DBTL ONLY)
TIMING : 8.00AM TO 10.00AM
CONTACT HOME DELIVERY
CONTACT NO. 9383082751

M/S LAMBODARA INDANE SERVICE
Booking upto : 15/08/2020
Valid from : Nill
Delivery date 27/09/2020
Home Delivery Only.
For registration SMS IOC<space> 03852427434<space> consumer No. to 9089024365.
For booking
SMS IOC to 9089024365.
Contact : +91 70053 82686 for enquiry. from 8.00 am 11:30 am

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 31/07/2020
VALID FROM: 29/07/2020
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248
TIMING:8.00AM TO 12.00NOON.

‘বিষ্ণুপুরদিষ্ট্রিক্টহোস্পিটালগীইর্মজেন্সিৱার্দঅথুবদাহাংদোকপিয়ু’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুর অসি কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইরম্বদগী থা অসিগী ১৬ তা বিষ্ণুপুরগী লৌকোইপাৎ নাকলদা লৈবা ওল্ড মিনি সেক্রেটেরিয়ট কমপ্লেক্সতা কোভিদ ক্যের সেন্টর ওইনা হেল্থ মিনিষ্টরনা শঙ্গাদুনা হৌজিল্লবা মতুংদা হান্না কোভিদ-১৯গী আইসোলেসন ৱার্দ ওইরল্লবা হোস্পিটাল অসি জেনরেল ওইনা লায়েংবা হৌখি। অদুবু ইর্মজেন্সি সর্ভিস লৈতবনা মরম ওইরগা মীচম-মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি মথং থা হায়বদি ওক্তোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা ইর্মজেন্সি সর্ভিস তৌদ্রবদি মণিপুরদা লৈরিবা সী এস ওশিং তান্নরগা হোস্পিটাল অসিদা অকনবা খোঙজং চঙশিনমিন্নবা শেম-শারে হায়না অপুনবা নুপী লূপ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন বিমোলানা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা অপুনবা নুপী লূপকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বিমোলানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীচম-মীয়ামশিংগী খক নত্তনা চুড়াচান্দপুর, নোনে অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মীয়াম ফাওবা অনা-অয়েক থোক্লকপদা লায়েংফম ওইরিবনি। মরমসিনা মথং থা হায়বদি ওক্তোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা ইর্মজেন্সি সর্ভিস তৌদ্রবদি হোস্পিটাল অসি থিংজিল্লগনি হায়না বিমোলানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা লূপ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল এম অনিতা অমদি থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, হীরম অসিগা মরী লৈননা সী এম ও বিষ্ণুপুরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরগী দোক্তর অমদি নর্স ৱাৎপনা ইর্মজেন্সি য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অৱাৎপা লৈবনি। সী এম ও বিষ্ণুপুর, ডা. এল গোজেন্দ্রনা মখা তানা হায়খি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফ নর্স ওইরম্বশিং অয়াম্বনা রিটিয়র তৌখ্রে, অদুগা লৈহৌরিবা খরা অসিসু কম্যুনিটি হেল্থ ওফিসরগী ট্রেনিং চৎলুরবা মতুংদা সী ঐচ ও ওইনা পোষ্টিং চৎখিবসু য়াওখ্রে, হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদা লৈহৌরিবা ষ্টাফ নর্স অসি ১৩ খক্তা ঙাইরে। মমাংদসু মেদিকেল হেল্থ সর্ভিসকী দিরেক্টরদসু দোক্তর অমদি নর্স অৱাৎপশিং পীবিরকউ হায়দুনা এপ্লিকেসন ইদুনা খঙহনখিবসু লৈ।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ২৪x৭ থবক তৌবদা য়ামদ্রবদা নর্স ২৪ দরকার লৈ। নৎত্রবদি মেটরনিটি ৱার্দ, জেনরেল ৱার্দ, ইর্মজেন্সি/কেজ্যুএল্টি ৱার্দ, ওপরেসন ঠেএটর অমদি দাইলাইসিস য়ুনিট চলাইবা ঙম্লোই। মসিদা নত্তনা হৌজিক্কী লুরবা তাঞ্জা অসিদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদা ও পি দি অমদি কোভিদ-১৯গী ফ্লু টেষ্ট খক্তমক তৌদুনা লৈরি। মীয়ামগী অৱাবসু খঙজে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামগী খোলাওসু খঙজে, অদুবু ষ্টাফ নর্স ১৩ অসিনা ২৪x৭হোস্পিটাল অসি চলাইবা ঙমদে। হোস্পিটাল অসিদা দোক্তরগী অৱাৎপসু লৈরি হায়না ডা. গোজেন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

দিমোক্রেসি অমদি সেক্যুলরিজম কন্নবা পাক শন্না কেম্প্যেন চঙশিনগনি : সোটিনকুমার

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): ওক্তোবর ২দা লৈবাক্কী দিমোক্রেসি অমসুং সেক্যুলরিজম কন্নবা পাক শন্না কেম্প্যেন চঙশিনগনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবা চহী ৬ মনুংসিদা আর এস এসকী অরোনবা এজেন্দাশিং থবক্তা ওন্থোক্নবা লেপ্তুনা হোৎনরকপদগী মালেমগী পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউরবা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট ফাওবা ওর্দিনান্স ফেক্টরি ওন্থোরক্লে। পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসিগী চৎন-কাঙলোনশিং খোঙ্গোয়নদুনা এগজিক্যুটিভ পাৱর মখাদা ওর্দিনান্স কয়া চৎনহল্লকপদগী লৈবাক্কী দিমোক্রেসি অমসুং কনষ্টিট্যুসন ফাওবা মমিংতগী ওইহল্লক্লে। নীংখা তম্বগী ঈহৌ খোঙজংশিংদা শরুক য়াবদি লায়রদনা মখা তানা বৃটিশ লৈঙাক মখা শাংথহনবা পামখিবা আর এস এসকী মশক নাইরবা লুচিংবা কয়াবু ফাইটর ওইনা মীয়ামদা উহন্নবা পুৱারী ফাওবা শেমদোক্লবা হোৎনরক্লি। পেন্দেমিক কোভিদ-১৯গী অকনবা শাফু মপুং ফানা থেংননবা হোৎনদনা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা পেন দবা খোল্লাও পুখৎলুবশিং লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবশিংনি লৌদুনা জেলদা ফাজিন্দুনা থম্নবা থৌরাংবা লেপত্রি।

মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা নোর্থ ইষ্ট দিল্লিদা সী এ এ য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঈহৌ খোঙজং চঙশিনখিবশিংগী মথক্তা চত্থখিবা হিংশাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা ৱায়েল চত্থনবা হোৎনদনা তমথীরবা থৌদোকশিংদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুবশিংবু এফ আই আর পানখিবদুনি। সোসল মীদিয়া অমদি টিভি চেনেল কয়ানা মশক মমিং শেংনা ফোঙদোকখ্রবা হকথেংনান চেন্নবশিংগী মথক্তা কেস ফাইল তৌদনা শক্লাইরবা অইবা, লোয়র, পোলিটিসিয়ন, সোসল এক্টিভিষ্ট অমদি মহৈরোয় লুচিংবা কয়াগী মথক্তা মরাল থংজিল্লক্লিবশিংসি য়ানিংদে।

লৈবাক্কী দিমোক্রেসি অমসুং কনষ্টিট্যুসন হেন্না মগুন ৱাংহন্নবা লাক্লিবা ওক্তোবর ২ মহাত্ম গান্ধীগী মপোক নুমীৎ অসিদা কম্যুনিষ্ট পার্টি, লোকল অমসুং ব্রাঞ্চকী থাক্তা সেভ দিমোক্রেসি, সেভ কনষ্টিট্যুসন অমসুং সেভ ফেদরেলিজম হায়বা খোল্লাও পুখৎপা পাক শনবা কেম্প্যেনশিং পাঙথোক্কনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমদা মহাকবি অঙাংহল শৈরেং মনা পীরগনি : লেনিন

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব মণিপুরনা চহী অহুম-অহুম কান্নরগা পীবা ‘মহাকবি অঙাংহল শৈরেং মনা-২০২০’ মণিপুরী লোলগী শক্লাইরবা অইবা বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমনা ইবা ঈশিংচাইবী অমসুং লম্বী হায়না মিংথোনবা কুমজা ২০১৯দা ফোঙখিবা শৈরেংগী লাইরিক্তা পীরগনি হায়না ফিক্সন এন্দ পোইট্রি ক্লব মণিপুরগী সেক্রেটরি লাইশ্রম লেনিননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫, সাইটেসন অমা অমদি লেংয়ান ফী অমা য়াওগনি। মনা অসি মেরাগী পুর্নিমা ওক্তোবর ৩১, ২০২০দা পাঙথোক্কদবা ‘মণিপুরী শৈরেংগী নুমীৎ’ তা লান্থোক্কনি হায়রি। অইবা বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম খা-নাওরেম লৈকায়দগীনি। কুমজা ১৯৬২দা পোকখিবা অইবা অসি মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যগী পোষ্ট গ্রেজুয়েটনি। অইবা অসিগী হৌজিক ফাওবদা ৱারী মচাগী লাইরিক অনী, শৈরেং লাইরিক তরুক পুন্না লাইরিক নিপাল ফোঙখ্রে।

মহাক্কী লান্থেংনরিবা লান্মী শৈরেংগী লাইরিক অসিদা সাহিত্য একাদেমি মনা কুমজা ২০০৩দা ফংখি। মহাক্কী তুরেল নঙদি হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক্তনা মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর কুমজা ২০১৩দা ফংখি হায়রি।

তেংবাং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা ফিলান্থ্রোপিষ্ট অমদি ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমসু ওইরিবা ডা. এলিসন অবোনমৈনা চীং-তম ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা চয়োল খুদিংগী লেপ্তুনা চত্থরকপা তেংবাং পীবা থৌরমগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসিসু হৈরোক কেন্দ্র মুস্লিম মাইনোরিটি দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী খুথাংদা হৈরোক এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা সিখোং, ময়াই কৈথেল অমসুং মালোমগী খনগৎলবা য়ুমথোঙ ১০০ রোমদা থুম অমদি লাইৱানচিংবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে।

চীং-তম অমত্তনি, ঐখোয় ইচিল-ইনাওনি, অমনা অমগী মতেং পাংনগদবনি হায়বা ৱাকল্লোনদা কোভিদ-১৯গী লোকদাউনগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মতম অসিদা কাঙলুপকী খেন্নবা খায়দনা ঐখোয় অমনা অমগী অরৈ লৈতা মতেং পাংনদুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অচেৎপা নুংশিনবা মরী অদু ফংনবা হোৎনমিন্নসি হায়রদুনা ডা. এলিসন অবোনমৈ অমদি চীং-তম ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না মুস্লিম মাইনোরিটিশিংদা মতেং পাংবীরকপগীদমক হৈরোক কেন্দ্র মুস্লিম মাইনোরিটি দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইরাবত লৈখিদবা কুমওনগা মরী লৈননা শিৎ শেংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী তাঙলবা মপারী জননেতা হিজম ইরাবতনা লৈখিদবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না পামজরম্বা তরু-তনানবা, লিংজেল মান্ননা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইবগী ৱাখল্লোন অদুবু নীংশিংদুনা ঙসি ককচিং খুনাই চাউখৎহনবা লূপ (কে কে সী এল)না ককচিং দি সী রোদকী নাক-য়েৎকী অমোৎ অকায়শিং শিৎতোক শেংদোকখ্রে।

ঙসিগী লম শিৎতোক শেংদোকপা অদুগা মরী লৈননা কে কে সী এলগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ঐচ মহেশ শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসিগী মীরোলনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী নীংশিং কুমওন থৌরম কয়া পাঙথোক্নরবসু মহাক্না পামজরম্বা মঙলান অদুদি কাউথোক্লবগুম তৌরি। মসিমক ঙসিগী মীরোল অসিগী লাইবক থীবনি। অপূনবা নীংখা তম্বা মণিপুর অমগী মঙলানদা থৱায় থাখিবা অশেংবা লুচিংবা অমদা হে-লৈ খরা কৎতুনা লুচিংবা অসিবু নুংশিবা শাবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লসি। তশেংনমক ঙসিগী মীরোলনা লুচিংবা অসিনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈরম্লবা তুংদা করিগীদমক কনানা মহাকপু অন্দরগ্রাউন্দ তাহনখিবনো, মহাক্না মণিপুরগীদমক করি করি হোৎনবীরম্মী, করম্বা খুন্নাই অমগী মঙলান মঙলম্মী খঞ্জিল্লুদে, থিজিনবীদ্রে। মসি ঙসি ঐখোয়না থিজিনবা, নৈনবা মতম য়ৌরক্লে। হৌজিক লুচিংবা শাবা কয়ানা চৌক্রিগী লানদা ঙাওদুনা লৈরিবা অসি মীয়াম মীকপ থোক্তুনা পারা অমা তন্থীবগী মতম অদু য়ৌরে হায়খি।

মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): কুম্বি এ সীদা হান্না বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা খাঙেম্বম নবকুমারনা লুচিংলগা এ সী অসিগী পোলিং ষ্টেসন নম্বর ২৯/১০গী বুথ লেবেল কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা পন্দিট দিন দয়া উপধ্যাগী ১০৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যাগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি পি সোমোরজিৎনা চীফ গেষ্ট, রিটায়ার্দ টিচর বি গোপাল শর্ম্মনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা য়ুমথোং ৫৬ তা চান-থক্লবা তেবাংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ৪ দগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ অমা ওইখ্রবা মতুং মখা তানা মীওই ৪ অমসু পোজিটিভ ওইদুনা হৌজিক মফম অদুগী অকোয়বা কয়াদা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা চৎথোক-চৎশিন য়াদনা লৈরিব য়ুমথোং ৫৬ তা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চানবা পোৎলম কয়া ঙসি কৌনৌ থোংথক মনিং লৈকাই দেভলপমেন্ট কম্মিটিনা কোয়না চত্তুনা য়েন্থোকখ্রে।

কৈনৌ থোংথক মনিং লৈকাই দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা লৈকাই অদুদগী খায়দোক্লকপা শেনফম্না অঙম্বা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগা মরী লৈননা কম্মিটি মেম্বর এন ইঙোবিনা ফোঙদোরকপদা, অসিগুম্বা অৱাবা তারবা লৈকাই অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোনদা অঙম-অঙম্বা মতেং পাংদুনা চামিন্নবগী অহানবা খোঙথাংনি। মখা তানা ঐখোয় পুন্না লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা নত্তনা অৱাবা তারবশিংগীসু মতেং পাংমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়ু জি সীনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লুপা...

লামায় ১গী মখা... এসিষ্টেন্সকী মতাংদা পীরক্লবা হায়খিবা সপোর্টিং দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা ষ্টেটমেন্ট ওফ এক্সপেন্দিচর অমসুং য়ুটিলাইজেসন সর্টিফিকেট অমত্তা ফংদ্রে হায়রকখি হায়রিবা মরম অসিনা য়ু জি সীনা সেঙ্কসন তৌরকখিবা লুপা লাখ ৪৩ অসিগী সেভিং বেঙ্ককী ইন্টরেষ্টকা লোয়ননা খুদক্তা হন্দোরক্লবা খঙহল্লকখি হায়রি। মসিগী মথক্তা মরী লৈনরিবা বেঙ্ক অদুদগী শেনফম অসিগী সর্টিফিকেট অমসু সুমিট তৌরক্লবা দিরেক্সন পীরকখি। থবক অসি য়ু জি সীগী চেরোল অসি ফংলবা মতুং নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পাঙথোরক্লবসু খঙহল্লকখি হায়রি।

য়ু জি সীনা থেঙ্খাং অনীরক্তা ওফিসল লেট্টরশিং থারক্তুনা খঙহল্লকখ্রবসু হায়রিবা চহী অমগী পি জি দিপ্লোমা কোর্সকিদমক পীরকখিবা এসিষ্টেন্স অসিগী মতুং ইন্না অপীবা মতম (এপ্রিল ১, ২০১০ দগী মার্চ ৩১, ২০১৫) ফাওবগী মনুংদা ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোগ্রাম অসি ইমপ্লিমেট তৌহৌদ্রবনিনা লুপা লাখ ৪৩গী শেনফম অসি হন্দোরক্লবা অমুক্কা হন্না থৌরকখি। অহুমশুবা য়ু জি সীগী চেরোল অসিনা চৎলিবা কুমজাসিগী মার্চ ৬তা থারকপনি হায়রি। মসিদসু শেনফম অসি নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা হন্দোরক্লবা খঙহল্লকখিবনি। মসিগীদমক ন্যু দিল্লিদা লৈবা য়ু জি সীগী কানাড়া বেঙ্কতা লৈবা তোঙান তোঙানবা একাউন্ট নম্বর অহুম আই এফ এস সী কোদ অমসুং এন আই সী আর কোদকা লোয়ননা থারকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা য়ু জি সীনা হঞ্জিন হঞ্জিন থৌরকখিবা শেনফম অসি শিংদোকখিবা ঙমদবগী মথক্তা মসিগী মরম পীবা পাউখুম অমত্তা পীবা ঙমদনা লৈরে হায়রি।

পনবা য়াবদি য়ু জি সীনা শেল হন্দোরক্লবা থারকখিবা চেরোলশিংদা এম য়ুগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতা চহী অমগী পি জি দিপ্লোমাগীদমক পীরকখিবা শেনফম অসি দিপার্টমেন্ট অসিগী ‘এদভান্স মেটরিএলশিং’গীদমক্তনি হায়না সেপ্টেম্বর ৩০, ২০০৯দা ইরকখিবা চেরোলদা খঙহল্লকপসু লৈখি হায়রি। হায়রিবা এসিষ্টেন্স অসি নন-রেকরিংগীনা লুপা লাখ ৪০ ওইরগা রেকরিংগীনা লুপা লাখ ২০ পুন্না চহী ৫গী ওইনা অপুনবা শেনফম লুপা লাখ ৬০গী মনুংদগীনি হায়রি।

আই এ এস, এম সী এস, এম এফ এস...

লামায় ১গী মখা... এম এস পি দি সী এলগী জি এম ফাইনান্স ওইনা, নাউরেম সুমোর্জিৎনা পুলিস অমসুং এফ দল্লিয়ুগী এস এফ ও ওইনা সন্তোসকুমার চোংথামনা এম এস পি সী এলগী জি এম ফাইনান্স ওইনা, ইরেংবম সোভাচন্দ্রনা থৌবালগী টি ও অমসুং মিদাগী এস এফ ও ওইনা, এন দি অরিফ মুজাদিদ খাননা জেল, ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন অমসুং ফায়র সর্ভিসকী এস এফ ও ওইনা, অমোস গাইথৌরাই কামৈনা তমেংলোংগী টি ও ওইনা গোনমৈ বোস্কো শিনগমলুংনা এস এ টিগী এস এফ ও ওইনা, রোজ লমখোকিমনা সেরিকলচর অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী এফ ও ওইনা, থাংখোমাননা চুরাচান্দপুরগী এ টি ও ওইনা অমসুং ঐচ টি লালচনহিমিনা টেক্সেসনগী এফ ও ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়রি।

এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌখ্রবা...

লামায় ১গী মখা... লৈতে। মতৌ অসিনদি লৈঙাক অসিনা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চত্থবদা কয়া য়াম্না পরম চুম্না চত্থখিবগে হায়বসি হংনিংঙাই ওই। ওইরিবা মতৌ অসিদি লো লৈতবা, কনষ্টিট্যুসন লৈতবা পঙতৌদা তৌবা য়াবা মওং মাল্লক্লে।

মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা রাজনিটিগী চরাংনবা অসিগী মতাংদা মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। মতৌ অসিমক লেজিসলেচরশিংগী ওইনদি য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি। বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর ৬ লৌথোক্লগা অনৌবা মিনিষ্টর ৫ হাপচিনখ্রে। ষ্টেট অসি হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অরুবা ফিভম অমদা লৈরিবনি। নোংমদা মী চাম্মা চানীগী মথক্তা পোজিটিভ ওইবা য়াওরিবনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা পোলিটিকল পাৱর পায়দবা য়াদে, মিনিষ্টর ওইদবা য়াদে হায়দুনা চত্থরক্লিবা মতৌশিং অসি লাইবক থীবনি। মীয়ামগী অৱাবা পুম্নমক তুংওইনরল্লগা পোলিটিকেল পাৱরখক পান্বগী মওংদা চৎখিবা অসি ইকাইনিংঙাইনি। হৌখিবা চহী ২০ লোম অসিদা পাল্লকখিবা লৈঙাকশিংগী মনুংদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা খ্বাইদগী অনষ্টেবল ওইবা লৈঙাক হায়বদু ওইরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

শান্নবুং মুন্নবগী ৱাহৌদা উতুপ-ৱাতুপ...

লামায় ১গী মখা... মফম অদুদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা তেংনৌপল দি সী, ময়াংলম্বম রাজকুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমনা আইমোল খুনয়ায় অমসুং আইমোল চীংনুঙহুৎকী মফম পুম্নমক্তা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী সব সেক্সন ২গী মখাদা কর্ফিয়ু থমখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মফম অদুদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না শান্নবুং অদুদা খুল অমনা মখোয়গীনি হায়দুনা ঙরাং নুঙ য়ুংনবা থৌরাঙখি। অদুমওইনমক অতোপ্পা খুল অমনা নুঙ য়ুংবা য়ারোই হায়দুনা দি সী তেংনৌপলদা ৱাকৎখি। ৱাকৎ অদুনা মরম ওইরগা শান্নবুং অদু চয়েৎনরিবা লমনি হায়না দি সী তেংনৌপলনা ওর্দর অমা থোক্তুনা ঙরাং পাঙথোক্কনি তৌরম্বা নুঙ য়ুংবগী থৌরম অদু পাঙথোকহনখিদে হায়রি। অসুম্না চয়েৎনবা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা খুল অমগী নহা খরা থোরক্তুনা শান্নবুং অদুদা ফুটবোল শান্নখি। চৈরক অদুদা অতোপ্পা খুলগী কাংবু অমনা চয়েৎনদুনা লৈরিবা মফম অসিদা করিগী শান্নবনো হায়না হায়রকপদগী খুল অনীগী মরক্তা নাকপাক তানদুনা উতুপ ৱাতুপ পায়দুনা খৎনরকপদগী মীশি-মীনা, অশোক-অপন য়াওবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা ককচিং অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং মফম অদুদা থোমজিন্দুনা ইরাঙ অদু নীংথিনা লাকশিনখ্রে। মখা তাবা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসনা চেকশিন্না ঙাক শোল্লগা লৈরি হায়রি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ মরক্তা মরক্কী মীখল পাঙথোকপা...

লামায় ১গী মখা... শনে দারক্লিবনি। ফিভম অসিদি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরবনি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মরক্কী মীখল পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপশিল্লকপা তারগদি সোসল দিষ্টেন্সিং, এস ও পি কনানা ঙাকপা ঙমগনি, লৈঙাক্না ঙাকপা ঙমগনি হায়বগী গরেন্টি পীবা ঙমগদৌরিবরা।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লমদম অসিদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বীশিং অমদি মহৈরোয় লূপশিংনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা অহেনবা পুক্নীং চঙশিনবা মতম ওইরে। লম্বীদা চৎলিবা ওটোদা মীওই কয়া পুল্লপ পুল্লপ তোংশিনবা অমদি য়াল্লবা মীওই কয়ানা লম্বীদা চৎথোক চৎশিন তৌনরি। লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হেনগৎলক্লবা মতম অসিদা লাইচৎ অসিবু করিসু লৈতনা খন্নবগুম তৌরে। করিগুম্বা এ সী খরগী মরক্কী মীখল পাঙথোরকপা মতমদা লায়না লাইচৎ অসি পাক্তক্না শনেদারক্লবদি মদুবু থিংবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈখিদবা য়াই। মরম অদুনা ষ্টেট লৈঙাক্না অখন্নবা এসেম্ব্লি সেসন অমা কৌরগা অতোপ্পা হীরমশিং খন্নদনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অমদি মরক্কী মীখল অসিগী মতাংদা খন্নরগা ৱারেপ লৌমিন্নসি। লৈঙাক্কী থৌদাংদি মীয়ামগী পুন্সি কনবনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসি কোভিদ- ফ্রী ওইরে হায়না লাউথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি। পোলিটিকেলগী খেন্নবা পুম্নমক থাদোকখিসি। করিগুম্বা ইলেক্সন কম্মিসননা মীখলগী মতম লাউথোরকপা তারবদি পার্টি খুদিংমক মাগী মাগী মীরেপ থাদোক্নরক্কনি। মাগী মাগী মীরেপশিং অদু মায় পাক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা মাগী মাগী ঙমজবশিং উত্থোক্নরক্কনি। মতম অদুদা কনানসু সোসল দিষ্টেদিং, এস ও পি ঙাক্না চৎপা হায়বদু ওইথোক্লোই। করিগুম্বা তঙাইফদনা ঈ সী আইনা মীখল পাঙথোক্তবা য়াদে হায়না মতম লেপ্পল্লবদি মণিপুরদা লৈবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বী ইমা-ইবেলশিং, মহৈরোয় লূপশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্না পুন্না সপোর্ট তৌমিন্নদুনা অখন্নবা চৎন-কাঙলোন অমা মীখলগা মরী লৈননা শেম্মিন্নসি। অখন্নবা চৎন-কাঙলোন অদুগী মতাংদা ইলেক্সন কেম্প্যেন চৎপদা মী মঙাদগী হেলহন্দবা, মীয়াম তিনবা মীফম পাঙথোক্তবা, মীখলগা মরী লৈননা পাক্তক্না রেল্লি চৎতবা, চাকচা হৈজানবা, মী পূনবা তৌহন্দবা হায়না লেপথোকমিন্নসি। মসিদা মীয়াম পূন্না সপোর্ট তৌবদি শোয়দনা ঙমগনি। মসিগীদমক্তা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি মীয়াম ৱাখল তামিন্নবা চঙই। মীখলদা মীরেপ ওইনিংবশিংনা হায়নিংবা ৱাফম কয়া লৈরবসু মীদিয়াগী খুত্থাংদা দিবেট তৌনহল্লগা অফবা মীবু খন্নবা হোৎনসি। দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীখলদা শেলগী মথৌ তাখিদে। মীয়াম্না অফবা মীহুৎ খনখি। মদুমক্না মীহুৎশিংনসু মীয়ামগী য়াইফনবা থবক কয়া মায় পাক্না পায়খৎলি। মীখলদা শেল চঙদবা অমদি অফবা মীহুৎ খনবা ঙম্বা মীখল অমা ওইহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নদুনা হন্দক্কী মতাং অসিদগী হান্নগী সিষ্টেম অসি শেমদোকপা হৌরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী কেস মশিং লিশিং ১০...

লামায় ১গী মখা... হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৫৭ শুরবী নুপী অমা রিমসতা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবী নুপী অসি থারগা হৌজিকফাওবদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা মীশিং ৬৪ শুখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই ৭৯ অমসু দিসচার্জ তৌখ্রে। আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ ফ্রী ওইবদগী দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুদি সী এ পি এফকী ১৩, রিমসতগী ১, সী সী সী লম্বোইখোংনাংখোংদগী ৪৩, সী সী সী য়ুনাকোদগী ৯, কাংপোকপীদগী ১ অমসুং সী সী সী মোরেদগী ১২ নি। নৌনা থেংনখিবা কেস ২৬০ অসি থারগা হৌজিকফাওবদা মণিপুরগী ওইনা অপুনবা কেস মশিং ১০,০৫১ শুখ্রে । মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৭৯১০ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২১৪১ য়াওরি। লায়না লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশিংনা ৭৬৮১ শুরে। ফগৎলবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৫৯৫৩ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৭২৮নি। ফগৎলকপগী চাংনা ৭৬.৪২নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ২৩০৬না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৮৯৬ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৪১০নি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্না পায়খৎলিবা ষ্টার্ট অপ মণিপুরনা তশেংনা থবক...

লামায় ১গী মখা... নোংমগী উমং কোকথরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। উমং কোকথরকপগী অৱা চৈথেং চহী খরা অসিদা ঐখোয়না মায়োক্লবা হৌরে। খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ, অইং-অশাগী খল কায়রকপা, কুমগী নোংজু নুংশাগী খল কায়রকপনা ঐখোয়না অৱা চৈথেং নংলিবনি। ঐখোয়না থেংনরিবা অৱা চৈথেং কয়া অসি কোকপা ঙম্নবা হায়না সাই ইনর্জি সসষ্টেনেবল সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদনা লমদম অসিদা সষ্টেনেবল ফ্যুলগী সোলুসন অমা পীনবগী পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি।

সাই ইনর্জি সসষ্টেনেবল সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদকী কুরাওপোকপী ইন্দষ্ট্রিয়ল ইষ্টেট, ককচিংনা তোঙান তোঙানবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদুনা হোরায় মকূপ, উপু কাংথোল শূবগী জেব্রা, ৱাই, চরদ, হঙ্গাম মখোক, নাপী অকংবা অমদি উচান মনা অকংবা অসি নীংথিনা চপখায়দুনা ব্রিকেট অসি পুথোকপনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৭০ রোম থবক শূমিন্নরি। স্কিল লেবর (মেছিনগী থবক পায়বা ঙম্লবশিংদা) অমদা থাগী লুপা ১২,০০০ দগী ২৫,০০০ ফাওবা অদুগা অন-স্কিল লেবরদনা পুং অমা থবক শূবদা নুপী ওইরগনা লুপা ৩৫ অদুগা নুপাগীনা লুপা ৪০গী চাংদা পীরি। মহাক মশামক ইন্দিয়াগী ৱাংমদা থবক তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু মণিপুরদা মীওই কয়া অমা হিংনবা হোৎনবদা থবক শূফম নোম্ফম খঙদবদগী অৱাবা কয়া লৈবা অদু উরুরগা সাই ইনর্জি সসষ্টেনেবল সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদনা ইমুং ৪০০দগী ৫০০ ফাওবগী মীওইশিংগা পুন্না থবক শূমিন্নদুনা ইমুংশিং অদুগা পূন্না নুংঙাই য়াইফনা, অৱাৎ অপা লৈতনা হিংমিন্ননবা পান্দম অদুদা মহাক্ক থবক অসি পায়খৎপা হৌরকখিবনি হায়নসু বিধান চন্দ্র লোইতোংবনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা লৈরিবা অচৌবা চেক্কোন ৩দা সাই ইনর্জি সসষ্টেনেবল সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদকী ব্রিকেট অসি শীজিন্নরে অদুগা অচৌবা স্কুল ৮/৯ গী বোর্দিংগী চাক থোংবদা শীঙগী মহুৎ শিনখ্রে। ব্রিকেট অসি কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৯দা য়োল্লি।মণিপুরদা লৈরিবা অচৌ অচৌবা চেক্কোনশিং, হোটেলশিং অমদি বোর্দিংশিংদা ব্রিকেট অসি শীজিন্নবিরবদি উমং কোকথোকপা খরমখৈদি শোয়দনা কনবা ঙমগনি খল্লী। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা ব্রিকেট শানবগী মচাক অসি মরু ওইনা হোরায় মকূপ, উপু কাংথোল শূবগী জেব্রা অমদি ৱাইনা ওইরি। মখা তারকপদা চরদ হঙ্গাম মখোক, নাপী অকংবা অমদি উচান মনা অকংবা অসি খোমগৎনবগী থৌরাংশিং য়াথোকপসু লোইরে হায়নসু বিধান চন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

সাই ইনর্জি সসষ্টেনেবল সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদতা থবক শূবা য়াওরম্বা শিন্মী খরনসু হায়, থবক শূফম নোম্ফম খঙদদুনা লৈরম্বদগী ঙসিদি মফম অসিদা থবক শূদুনা ইমুং মনুংগী শেন্মিৎলোনদা মতেং পাংবা ঙম্লে। নুমিৎ ১০ নি খুদিংগী খুৎশুমল পীথোকপিদুনা অন-স্কিল ওইনা থবক শুজরিবা মখোয়গী ইমুং মনুংগী অৱাৎ অপা খরমখৈদি মেন্থোক-মেনশিন তৌবদসু হেন্না খুদোং চাহল্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

হান্না তাতা মেজিক লোইদুনা মী পুথোক পুশিন তৌদুনা হোৎনরম্বা, অদুবু লোকদাউন লৈখিবদগী থবক শূফম নোম্ফম খঙদদুনা লৈরকপা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, সাই ইনর্জি সসষ্টেনেবল সোল্যুসন প্রাইভেট লিমিটেদকী ব্রিকেট শানবা মচাক, হোরায় মকুপ খোমদুনা থিনবগী থবক তৌদুনা হান্না মী পুথোক পুশিন তৌবদা নোংমদা ফংলম্বা শেনফম অদুদগী শেল হেন্না ফংবদা নত্তনা হোরায় খোম্বদা মীওই ২/৩ অমসু থবক শুমিন্নবা ঙম্লে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

SARASWATI INSTITUTE OF
MANAGEMENT & PARA-MEDICAL SCIENCES
Opp. to 6th IRB, MPTC Pangei, Imphal East
Affiliated to Manipur University & Approved by the Ministry of HRD, New Delhi
Contact No. : 98565 75163 / 94022 33554
Email : plusphijam27@gmail.com www.simpsimphal.com
100% Job placement
ADMISSION NOTICE
Estd. since 2016
B.Sc. (MLT, RIT, OTT)
B.Sc. Forensic Science
Diploma in Pharmacy
Diploma (MLT, RIT, OTT, DIALYSIS)
Last date of Form Submission 10th September 2020
HL-B/6322/20/08-19/09 (alt)